নৈলিট ইম্ফালগী আই পি আর সেলনা পেটেন্ট ইনফোর্মেসন সেন্টর, মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নিকেল কাউন্সীলগা খুৎশম্নদুনা শীল্লগা ইন্টিলেকচ্যুএল প্রোপর্টি রাইটকী মতাংদা নৈলিটতা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ

WORKSHOP ON INTELLECTUAL PROPERTY RIGHT (IPR)
IPR CELL, NIELIT IMPHAL
NIELIT IMPHAL

লামায় ৪

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অমদি থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিনা পুন্না শীন্দুনা থৌবাল তুরেল খোংবানদা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক অমদি ফত্ত-হাওদি লংশিনবা তোক্লসি হায়বা দ্রাইভ চথুখিবা

ON THE BAN OF SINGLE USE PLASTIC IN AND AROUND THE BANK OF THOUBAL RIVER
ON 23RD MARCH, 2021 - 24TH MARCH, 2021

লামায় ৪

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক চহী ৪ মপুং ফারকপগী থৌরম মখা চথরকপা ওইনা বি জে পি নম্বোল মন্দলনা শীন্দুনা মন্দল অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা লেবর কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম

লামায় ৪

দোগ প্রোটেক্সন সোসাইটি মণিপুরনা নিঙোম্বম উথা য়ুথ ক্লবকা খুৎশম্নদুনা থৌবাল নিঙোম্বম উথা কম্যুনিটি হোলদা রেবিস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা মফম অদুগী অকোয়বদা লৈবা হূইশিং রেবিস ভেক্সিন কাপথোকখিবা

লামায় ৪

ঈ কৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

নেসনল ইন্টিগ্রেটেদ ফোরম ওফ আর্টিষ্ট এন্দ এক্টিভিষ্ট (এন আই এফ এ এ) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশানা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্লদ বেঙ্ককী স্পোন্সরশিপ মখাদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ, এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লদ দোন্নর মণিপুর থৌবাল মশা অমদি কাউন্সীল ফোর এদভান্সমেন্ট ওফ রুরেল দিভেলপমেন্ট থৌবাল ক্ষেত্রিলৈকায়গা পুন্না খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা ঈ কৎপগী কেম্প অমা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালদা পাঙথোকখ্রে।

এন আই এফ এ এ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশাগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু ইবোহলনা হায়খি, ইন্দিয়ানা নিংতম্বা ফংনবা হোৎনবদা থৱায়না পোম্বা ওইখ্রবা মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংবু নীংশিংদুনা ঙসি ইন্দিয়াগী মফম পুম্বদা এন আই এফ এ এনা শীন্দুনা ঈ পীবগী থৌরম পাঙথোক্লবগুম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতসু থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লেবর কার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

বি জে পি নম্বোল মন্দলগী প্রসিদেন্ট এস ব্রজমনিনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকপা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক চহী ৪ মপুং ফারকপগী থৌরম মখা চথুরকপা ওইনা বি জে পি নম্বোল মন্দলগী ওফিসতা লেবর কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা থৌমী কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা টি ঐচ বসন্ত রিটায়র্দ আই পি এস, ষ্টেট কাউন্সীল মেম্বর, এগজিক্যুটিভ মেম্বর বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা লেবর কার্দ ৮৮ মীয়ামদা য়েন্থোকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক হেক লাকপদগী মণিপুরদা চাউনা অহোংবা কয়া পুরকপদা নত্তনা নম্বোল এ সীদসু চাউনা অহোংবা কয়া পুরক্লে। মীয়ামগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্দুনা চাউখৎপা নম্বোল অমা ওইহনসি হায়রবদি বি জে পি নত্তনা অতোপ্পা পার্টি অমত্তনা ওইথোক্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

লেবর কার্দ ফংলবা, ফংলবী শিন্মী ৮৮না লাক্কদৌরিবা কাউন্সীল ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপপু শৌগৎপদা নত্তনা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লী ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদবা টি ঐচ বসন্তবু চাউনা মায় পাক্লবা অঙন্বা থৌদাং লৌগনি হায়নসু ৱারেপ লৌমিন্নখি।

ক্লব শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

সেকমাই এ সীগী এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোনা এ সী অসিগী মনুং চনবা লাইরেনশজিক মমাঙ লৈকায়দা লৈবা লাইরেনশজিক য়ুথ দিভেলপমেন্ট ক্লবকী নৌনা শাবা শঙলেন শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোনা হায়খি, হন্দক লাইরেনশজিক মমাঙ লৈকায়গী ক্লব অমা মহাক্না শাবা ঙমজখিবা অসি য়াম্না পূক্নিংদা নুংঙাইবা ফাওই। লোয়ননা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা খুঙ্গং খূদিংমক অচৌ-পীশক খায়দনা চপ মান্ননা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা অসিদা এ সী অসিগী মীয়ামগী চাউরবা থৌদাং লৈ। মরম অদুনা থোং মান্ননা চাউখৎপা লমদম অমা এ সী অসিদা হোৎনরিবা পান্দম অসিবু মীয়াম্না সপোর্ট তৌবীয়ু হায়খি।

ৱর্ল্ড ওপটোমেট্রি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

মণিপুর ওপটোমেট্রিষ্ট এসোসিএসন্না শীন্দুনা খাগেমপল্লি পনখা হুইদ্রোম লৈকায়, ময়াই লম্বীদা লৈবা য়াইমা কোলেজ ওফ ওপটোমেট্রিদা ঙসি ৱর্ল্ড ওপটোমেট্রি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ও এস এমগী সেক্রেটরি জেনরেল ডা. সচিন্দ্র লাইশ্রমনা চীফ গেষ্ট, এন পি সী বিগী ষ্টেট নোদেল ওফিসরসু ওইরিবা ওপথালমোলোজিষ্ট ডা. বিক্রম খোইস্নামনা প্রসিদেন্ট অমসুং আর আর ভিজনগী কন্সল্টেন্ট ওপটোমেট্রিষ্ট হোমেন লোইতোংবমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

‘থারোন শুরুংদা থিজিন খোঙচৎ চৎলুরে’

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

দি হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিসার্ছ সেন্টর ইম্ফালগী থিজিন খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা রিসার্ছ সেন্টর অসিগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম ইন্দ্রমনিগী লীচিং মখাদা মণিপুরগী পুৱারী অমদি নাৎকী লমদা থৱায় য়াওবা থিজিল্লোই অমদি অখঙ-অহৈ য়াওনা মীওই ৪৬না শাবা খুৎপু অমা ঙরাং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ২৭ রোম চৎলগা লৈবা লিয়াংমৈ কাঙলুপকী মীওইশিংনা খুন্দাবা থারোন খুন মনাক্তা লৈবা থারোন শুরুংদা থিজিন খোঙচৎ অমা চৎলুরে হায়না দি হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিসার্ছ সেন্টরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম ইন্দ্রমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, শুরুং অসি লমদম অসিগী ওইনা য়াম্না মমিং চৎপা অচৌবা শুরুংনি। থারোন খুনগী মীশিংনা শুরুং লৈরিবা চীংশিংবু রেয়াংলিং চীং অদুগা শুরুংসিবুনা কালেমকি (শেকপীশিংগী লৈফম) হায়না খঙনৈ। শুরুং অসি থারোন খুনদগী চাউরাক্লা কিলোমিটর ৪ রোম লাপ্পা লৈ। শুরুংসিগী অপূনবা অশাংবসি মিটর ৬৫৫.৬ রোমনি। অদুগা থোকফম থোঙ মথোঙ মঙা লৈবা, শুরুংগী মনুংদা শুরুং অমগা অমগা শম্নফম ৩৪ লৈবা, সমুদ্রগী ঈমায়দগী চাউরাক্লা মিটর ৯১০ রোম ৱাংনা লৈবা য়াম্না চাউবা শুরুংনি।

শুরুং অসি অনকপদা লৈবা মীশিংনদি কুইরবা মতমদগী শুরুংসিবু খঙনদুনা লাক্লবসু মণিপুর ষ্টেট আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্টনা থিজিন-হুমজিন্দুনা পুথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদদি মীয়াম্না পাক-শন্না খঙনরমদে। অদুবু ঙসিদি ষ্টেট আর্কিওলোজিনা কুমজা ১৯৭৯গী দিসেম্বর থাদা থিজিন হুমজিন্দুনা পুথোকপদগীদি শুরুংসিবু মীয়াম্না পাক শন্না খঙনরে। ষ্টেট আর্কিওলোজিনা শুরুং অসিদা থিজিন হুমজিনবদা খৃষ্ট মমাঙ চহী লিশিং ৫দগী ৬কী মতমগী নুঙগী খুৎশু-খুৎলায়শিং ফংবা ঙমখিবা অসিনা মরম ওইদুনা অনৌবা নুঙগী য়ুগকী মতমদা মণিপুরদসু শুরুংমীশিং লৈরম্মী হায়বা খঙবা ঙমহল্লি। থিজিন হুমজিনবদা শুরুংসিদা ফংলকখিবা নুঙগী খুৎশু খুৎলায়শিংগা খা-নোংপোক এসিয়াগী মনুং চন্না লৈবা অৱাংথংবা ভিয়েটনামগী হাওবিনহি খুনদা ফংখিবা অনৌবা নুঙগী য়ুগকী মতমগী পোৎলম চৈরমশিংগা মান্নবা কয়া লৈবনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াদসু হাওবিনহিয়ান কলচর লৈরম্মী হায়বগী খুদম চাংদম পী।

শুরুং অসিবু মণিপুরগী পুৱারীগী মরুওইবা নীংশিং খুদম ওইহল্লিবা অমনা মহারাজ বোধচন্দ্রনা হিংলিঙৈ মতম কুমজা ১৯৪৬কী দিসেম্বর ২১দা শুরুং অসি খুরুম্বগা লোয়ননা শুরুংসিগী চঙফম থোঙ অমগী মমাঙদা- কুমজা ১৮৬৮ শ্রীলশ্রীযুক্তা বোধচন্দ্র সিংহ হুয়েন কৈয়েন লান্থৌবা তুবি চিংখোম্বা মহারাজা ঐচ. ঐচ. দি মহারাজা বোধচন্দ্র সিংহ ওফসিশ’ হায়না নুঙ অমদা ইদুনা য়ুংলগা থম্লম্বা অসিনি। হায়রিবা লাইরিক ময়েক ইবা নুঙ অসি ঙসি ঙসিমক শুরুংগী চঙফম মথোঙ অমগী মমাঙদা য়ুংদুনা লৈহৌরি। মসিনা মরম ওইদুনা শুরুং অসি মণিপুর পুৱারীগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা নীংশিং খুদম অমা ওইহল্লি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

সেসন ২০২১-২২গী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী রেসিদেন্সিএল স্কুলদা ক্লাস সিক্স এদমিসন তৌনবগীদমক ফোর্ম মেনশিন্দুনা এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার অমসুং দি বি ঈগী চ্যেরমেন এন প্রবিননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, রেসিদেন্সিএল স্কুল অসিদা লৈবা চাবা ফ্রী ওইবদা নত্তনা টেক্সবুকশিংসু লেম্না পীগনি। রিগ্যুলর ওইনা হেল্থ ক্যের সর্ভিসসু চথরি। লোয়ননা ষ্টেট এন্দ নেসন এক্সপোজরগী খুদোংচাবসু পীরি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা এস সী/এস টি/মাইনোরিটি/ও বি সী অমসুং বি পি এলগী ইমুংগী অঙাংশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা মার্চ ২৫ নি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মফম মরিদা লাম্মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

হৌজিক অশিৎ-অৱান্থাগী মতম অসিদা উনা-ৱানা অমদি নাপী-শিংনা কংবগা লোয়ননা মৈহৌ-লাংপোক লাম্মৈনচিংবা চাকপগী থবকসু তোঙান-তোঙানবা মফমদা লেপ্তুনা চথরক্লি।

ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩৮ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা তেংদোংয়াংগী চীংথক্তা খঙহৌদনা লাম্মৈ পাক শন্না চাক্লকপদগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম মীপায়বা পোক্লখ্রে। মফম অদুদা মৈ চাক্লে হায়বা পাউ ফংবদগী ইম্ফাল ফায়র সর্ভিসকী কাঙবু অমা থৌদোক থোকফম অদুদা চঙশিন্দুনা মৈ মুথৎনবা হোৎনখি। পুংখায় অমরোমগী মতুংদা ফায়র সর্ভিসনা মৈ অদু মুথৎপা ঙমখি হায়রি।

ঙসি নুংথিল পুং ২.১২ রোম তাবা মতমদা কাঞ্চিপুরদা লৈবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এ ব্লোক্কী মনিংদা লৈবা ক্বার্টর মনাকতা খঙহৌদনা অকংবা নাপীশিং মৈনা পাক শন্না চাক্লকপদগী ইম্ফাল ফায়র সর্ভিসনা মতম চানা লাক্তুনা মৈ চাক্লস্বশিং অদুঈশিং কাপশিন্দুনা মুথৎখি। হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদসু এম য়ুগী কেম্পস মনুংদা অকংবা নাপী অমদি উনা-ৱানানচিংবা মৈ চাকপা হৌরম্বদগী ফায়র সর্ভিসনা মতম চানা লাক্তুনা মৈ মুথৎহৌবদগী অমাঙ-অতাদি থোকহৌদ্রে হায়রি।

মরকসিদা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৫৩ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মারজিং চীংগী চীংশাং নাপোমদা খঙহৌদনা লাম্মৈ পাক শন্না চাক্লকপদগী লৈকায়গী মীওইশিং ফোরেষ্ট গার্দশিং অমদি ফায়র সর্ভিস কাঙবু লাক্তুনা মৈ মুথৎনবা হোৎনখি। অদুবু চীংথক ওইবনা খুদোংচাদবা খরদি মায়োক্লখি। কায়নথংদা লাম্মৈ অদু মুথৎখি।

নুমীদাং পুং ৬ রোম তাবদা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মাইবা খুনগী চীংথক্তসু লাম্মৈ চাক্লকপদগী ফোরেষ্ট গার্দ অমদি ইম্ফাল ফায়র সর্ভিসনা মৈ অদু পুং ২ রোম হেন্না চঙনা মুথৎনবা হোৎনখি হায়রি।

নুপী শুমাং লীলাদা লৈঙাক্লা মতেং পাংবীদুনা মীৎয়েং খরা চঙহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লমদমসিগী ওইবা পুৱারীগী মীৎয়েংখাদা নুপী শুমাং লীলানা, ৱারী কয়া পুথোক্তুনা লীলা ওইনা পুথোক্তুনা, শান্নদুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্লা শক খঙবীবা অমদি ওইদ্রি হায়না লৌই। নুপী শুমাং লীলাগী ওইবদা চোংজরিবশিংগীদমক্তা ঙসি ফাওবদা কয়া য়াম্না য়েংশিনবীরিবগে হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরক্লে। মসিগীসু মথক্তা চহী অমগী মনুংদা অমুকখক্তং উৎপা লীলা ওইজরবসু নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেলদদি উৎনবা হায়বীরক্লি। মসিদা মশা-মশানা শেল পুথোকচরগা চৎচরগা এৱার্দ কয়া লৌরকপা নত্তনা নুপী লীলাগী কান্নবা হায়বসি ফংদনা অমসুং মশক খঙবীদনা মণিপুরদদি লৈরক্লি।

নুপী শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী অথোই-অহেন তান্নবদা অনীশুবা বেষ্ট প্রদক্সন তাখ্রবা চনুরা যাত্র কম দ্রামা এসোসিএসনগী অহুমশুবা বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনা ফংখ্রবী কে এস ঐচ ফুলকানা পাউচে অসিদা হায়খি, নাউকল উরি অসি বেষ্ট দিরেক্টরসু ফংবনি। ঐহাক কুমজা ২০০০দগী লীলা য়াওবা হৌরকখিবনি। নুপী শুমাং লীলা য়াওরগা করি কান্নগদৌরিবনো হায়বসি হংনরিবনি। অদুবু পামজবা হায়বসিদা মাঙ থাদুনা য়াওরক্লিবনি। অমরোমদা চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং উৎপা লীলা ওইজরবসু শেল চঙনা তমদুনা, শেল ফংগনি হায়দুনা লীলা য়াওবা নত্তে। নুপাগীদি শেল চঙলবসু মীয়াম্না কৌবা লীলা ওইবনিনা ৱাদে। নুপীগীদি শেল তানফম লৈবা নত্তে।

ইশানা শেল পুথোক্লগা ফি ৱাইবা লৈবা তৌজরগা শান্নবা লীলানি। আর্টহায়বসি পামজবদগী খোঙদারকপা মরম্না শেল তীংবদা পান্মুদে। অদুনা নুপী লীলা য়াওরিবশিং য়াম্না থাগৎনিংই। হন্দক্তি ঐখোয় লীলা থোক্লরোইসি হায়রুবদা ময়ামদুনা লীলা থোক্তবা য়ারোই হায়দুনা হৌ হৌ চোংই। ঐখোয় মশেল শেল খায়নসি অঙন্বা পুথোক্লসি হায়দুনা হেক্তা পুথোক্লদুনা লীলা উৎনবা হোৎনৈ। অদুনা নুপী লীলা অসি তশেংনা হায়রবদা অৱাংবা থাক্তা পুখৎহন্নিংই। মপান্দা চৎনরিবা নুপী লীলাসি এৱার্দ লৌরগা হল্লকপা ঙাক্তনি। ঐহাকসু এৱার্দ ১৫ ফংখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবদা কান্নবা লৈতে। এৱার্দ ফংলিবনি হায়রিবসি লুপা ১ ফাওবা ফংবা এৱার্দ নত্তে। ঠিএটরগীদি লুপা ৫০০ হাপ্লম্বসু য়াওই। মদুগী নুংঙাইবসু লৈ। ভারাদা ওইরবসু কোন্নরিবনি। শুমাং লীলা শীনবীরিবশিংনসু এৱার্দ পীবদা শেল খজিক্তংদি য়াওহন্নিংই।

নুপীবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎকদবনি হায়রিবশিং অদুনসু থাঙ্গৎতে। নুপীবু হন্থবা মীৎয়েং য়েংগনু হায়বসি নুপী শুমাং লীলা য়োকখৎকদবনি হায়রিবা কয়াদুনা মচিনখক্তনি। ঙসি ফাওবদা য়োকখৎপা উদ্রি চীনখক্তগী ৱানি। মণিপুর লৈঙাক্লসু ঙসি ফাওবদা মীৎয়েং চঙবীদে অদুনা লৈঙাক্লসু করিগুম্বা খরদি তৌহন্নিংই। নুপী লীলা তৌজরিবশিংগী ওইবা মীৎয়েংদা লৈঙাক্লা পীনিংবা মতেং খরা পীবীবদা হরাওজগদবা নুপী লীলা ঙাক্তনি হায়খি।

কে এস ঐচ ফুলকা

অহৈবম সকুন্তলা

য়াঙম লৈরক নুপী লীলা এসোসিএসনগী লীলারোই অমা ওইরিবী এৱার্দ কয়া লৌদুনা লাক্লবী অহৈবম সকুন্তলানা হায়খি, ইহান হান্না য়াওবমক্তদা হিরো শাবা ওইখি। লীলা য়াওরকপদগী খরা ৱাংবা মরম্না নুপীদি শাহন্দ্রে নুপাগী শক্তম লাংবা ঙাক্তনি। বেষ্ট এক্টর, সপোর্টিংদা এৱার্দ কয়া ফংখ্রে। অদুবু এৱার্দ ফংবদা হরাওবদগী মীয়াম্না নুংঙাই হায়না হায়বীরকপসিনা এৱার্দ ফংবদগী হেন্না নুংঙাই। মসি পামজরুবগীদমক্তনি। লীলা য়াওরগা কান্নবা ফংবা শেল ফংবা নত্তে। নুপীনা লীলা য়াওবা হায়বসি লায়র তানবনি। মণিপুরগী মপান্দা লীলা উৎপা চৎলিবশিং অসি বেষ্ট এক্টরগী মনা ঙাক্তনি লৌরক্লিবসি। অদুবু এৱার্দ ফংবদগী ককয়েন শুজা অথৌবা, খম্বা, নোংবান হায়না কৌবীরকপসিমুক নুংঙাইবদি লৈতে। নুপী লীলা ফজরে লীলা কৌবা য়ারে হায়বীরকপসিনা অমুক্কা হেন্না পেনবা ওইজৈ।

অদুবু নুপী লীলাগী লাইবক থীবা হায়গদ্রা মণিপুরগী মপান্দা উৎপা চৎপসি ইশানা শেল পুথোকচরগা এৱার্দ লৌজরকপা ঙাক্তনি। মপান্দা লীলা উৎপা চৎপা মতমদা শেল লৈতবদগী অমুকখক মীয়ামগী নুমীৎতা উনবা চৎচৈ। শেল খরদং মতেং পাংবীয়ু হায়জবনি অদুবু মখোয়গী ওফিসকী চেনেলদা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টতা থাদবীরকখি। অদুবু হৌজিক্কী লৈরিবা দিরেক্টরসিগী মতমবুদি নত্তে। অদুবু মতমদুদা পীবীরকখিদে। হৌজিকসু আর্টিষ্টকী তেংবাঙ হায়বসিদা থাজিনজখি। অদুবু ইন্দিভিজ্যুএলগী ওইবদদি পীদে হায়বা অমসু তাজে মসিনা কয়াম চুম্বা ওইবনো হায়বদি খঙজদে।

মণিপুর লৈঙাক্কী মতেং পাম্বা মতমসু লাকই মরমদি মপান্দা চৎপদা মতেং অঙন্বা খজিক্তং পাংবীয়ু হায়জবদুখক্তনি। অদুনা মসিগুম্বদা খরদি শাউনিংখি। মরমদি অচৌ-অশাং উনবা লাকপা, ওফিসর উনবা হায়বসি মতম মাঙই, ভারা তীংই। অদুবু মতেং খরদং পাংবীরগদি হায়দুনা লাকপনি। অমরোমদা স্পোর্টস অমসুং কলচর য়োকখৎলি হায়রগসু আর্ট এন্দ কলচরদি য়োকখৎতে। স্পোর্টসপুদি য়োকখৎলি হায়বসি খঙজে। অদুবু আর্ট এন্দ কলচরদি ঙসি ফাওবদা য়োকখৎতে হায়না লৌজে। আর্টিষ্ট ওইবা লীলারোই ওইজরিবা ঐখোয়দদি ৱারৌবগী ৱারৌবা ঙাক্তনি। ঐখোয়দা মখোয়না খজিক্তং মতেং পাংবীবদা ঐখোয়না হেন্না পেঙ্গগদৌরিবনি। মখোয়না মতেং পাংবী হায়বগী ৱাখলদা চাউথোকচগদৌরিবনি। ঐখোয়না শেল তীংনা মপান্দা লীলা উৎপা ফেষ্টিভেল য়াওবা চৎলিবসি সার্টিফিকেট লৌবা চৎপগা মান্নৈ। করিনো হায়রগা লোল খঙদ্রবসু ঐখোয়না তৌরিবসি মখোয়না আর্ট অমনিনা খঙই। নুপী লীলাসি মপানগী ফেষ্টিভেলদা উৎপা হেনবদগী মৈতৈলোন খঙবা খরা য়াওরক্লবনি।

মসিসু লমদমসিগী মায় পুরক্লিবা অমসুনি। মসিদা ঐখোয় লীলা শান্নরিবনি। নুপা লীলাদি ফার্ষ্ট তাদ্রবসু লীলা কৌদুনা চৎলিবনি। অদুবু নুপা লীলা কৌবদুগা নুপী লীলাগা চাংদম্নবদি য়াদে। অদুনা নুপী শুমাং লীলা তৌরিবশিংসি লায়র তাল্লবসু পামজবদুনা মরম ওইরগা লীলা য়াওরিবনি, লীলা পুথোক্লিবনি। চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং উৎপা লীলা ওইরবসু মসিদা উৎননবা হোৎনরিবনি। অদুনা নুপী লীলাগী লীলারোইশিংগী ওইবদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদুনা মতেং খরদি পাংই হায়বদু হায়হন্নিংই। মতমদু ঙসি ফাওবদা ঙাইরি কৈদৌঙৈ ওইগনি হায়বদুদি থাজবা লৈত্রি হায়খি।

থৌবাল নিঙোম্বমদা রেবিসকী ভেক্সিনেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

লাইবক থীবা থৌদোক অমা ওইনা থা অসিগী ২১দা থৌবাল নিঙোম্বম অথোকপম লৈকায়দগী অথোকপম হেরোজিৎ এলিয়স মোচা (৩৩) কৌবা অমা রিমসতা রেবিস লায়ওংনা মরম ওইদুনা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রবা মতুং ঙসি দোগ প্রোটেক্সন সোসাইটি মণিপুরনা নিঙোম্বম উথা য়ুথ ক্লবকা খুৎশম্নদুনা থৌবাল নিঙোম্বম উথা কম্যুনিটি হোলদা রেবিস ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

মফম অদুগী অকোয়বদা লৈবা য়ুমদা লোইবা হূই কয়া হিদাক কাপথোক্লদুনা দোগ প্রোটেক্সন সোসাইটি মণিপুরগী সেক্রেটরি মোইরাংথেম নাওবনা ফোঙদোকখিবদা, দি পি এস মণিপুরনা হৌখিবা ২০২০গী দিসেম্বর ২১দা ইম্ফালগী হাওবম মরক্তা রেবিস নাবা হূই অমা ওফিসল ওইনা শিখ্রবা মতুং হেক নোংঙানবা নুমীৎতগী দি পি এস মণিপুরনা মণিপুরগী মফম কয়াদা মফম হোং-হোংদুনা নোংমাইজিং খূদিংগী রেবিস ভেক্সিনেসনগী থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। খঙহৌদনা থৌবাল নিঙোম্বমদা মীওই অমা রেবিস নাবা হূইনা চিকপদগী লৈখিদবগী পাউ অসি তাবদা খুদক্কী ওইনা নোংমাইজিং নৎত্রবসু রেবিস ভেক্সিনেসনগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। পুন্না হূই ৪০০ রোম কাপথোক্লবগী পান্দম থল্লি। মখা তানসু দি পি এস মণিপুরনা হূইগা মরী লৈনবা থৌদোক খূদিংদা শরুক য়াগনি হায়না নাওবনা ফোঙদোরকখি।

থৌবাল তুরেল তোবর্বান তরু-তনান্না থম্নবা দ্রাইভ চথখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট পুলিস থৌবাল, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অমদি থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিনা পুন্না শীন্দুনা থৌবাল তুরেল খোংবালদা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক লংশিনবা অমদি ফত্ত-হাওদি লংশিনবা তোক্লসি হায়না নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথুগদবা তরু-তনান্না থম্নবা দ্রাইভকা লোয়ননা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম ঙসিদগী হৌখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমীৎতা থৌবাল পি এসকী দি এস পি অমদি ও সী য়াওনা পুলিস পর্সনেল কয়া শরুক য়াদুনা অমসুং টি এম সীগী ফত্ত-হাওদি হুন্দোক্লবা গাড়ীশিং শীজিন্নদুনা থৌবাল থোং মখা অমদি নক্লা লৈবা মফমশিংদা তাবা তোবর্বানগী অমোৎ-অকায়শিং মরুওইনা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং খুন্দোকপা হৌখ্রে। মীয়াম্না তুরেল তোবর্বানদা অমোৎ-অকায়শিং লংশিনবীদনবা অমদি মদুনা ওইহল্লক্কদবা অমাংবশিং মাইক শীজিন্নদুনা মীয়ামদা খঙহনখি।

থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিগী চ্যেরমেন এ কে বিশ্বরজিৎনা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, টি এম সী অমদি থৌবালগী অকোয়বদা লৈরিবা নহাশিংনা থৌবাল তুরেল খোংনুংবু লুনা নান্না লৈননবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি মীপুম খূদিংনা মতেং পাংবীয়ু, তুরেল খোংবানদা ইশা-ইশাগী ইমুংগী ফত্ত-হাওদিশিং লংথোকপা তোকপীরো হায়না ফোঙদোকখি।

নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

অকাম্পাৎত লৈবা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (নৈলিট) ইম্ফালগী আই পি আর সেলনা পেটেন্ট ইনফোর্মেসন সেন্টর, মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নিকেল কাউন্সীল (এম এ এস টি ঈ সী)গা খুৎশম্নদুনা শীল্লগা ইন্টিলেকচ্যুএল প্রোপর্টিরাইট (আই পি আর)গী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা নৈলিট ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অদুদা পেটেন্ট ইনফোর্মেসন সেন্টর, মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নিকেল কাউন্সীলগী ইন-চার্জ অমসুং সাইন্টিফিক ওফিসর ডা. আর কে প্রিতমজিৎনা ইন্টিলেকচ্যুএল প্রোপর্টি রাইটকী মতাংদা শুগায়বা ৱারোল থমখিবগা লোয়ননা আই পি আরগী মরুওইবা, তোঙান-তোঙানবা মখলশিং অমদি রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা মথৌ তাবা রুলশিংগী মতাংদা শুগায়বা ৱারোল থমখি।

নৈলিট ইম্ফালগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর টি ঐচ প্রমেশ্বরনা হায়খি, নৈলিট ইম্ফালগী ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা অনৌবা আইদিয়া কয়াগা লোয়ননা থবক তৌদুনা অমদি নৈলিট ইম্ফালদা ইন্টিলেকচ্যুএল প্রোপর্টি রাইট (আই পি আর)গী কলচর শাগৎননবা হোৎনবীয়ু। মসিনা মহৈরোয়শিংদা কান্নবা পীবদা নত্তনা নৈলিটতসু চাউনা কান্নহনগদৌরিবনি।

এম এ এস টি ঈ সীগী দিরেক্টর ডা. দিনচন্দ্রনসু ইনষ্টিট্যুট অমদা আই পি আরগী মরুওইবশিংগী মতাংদা শুগায়বা ৱাফম থমখি।

লুপা ২২,৫০০ ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসি লাকশিন্নবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিংগী মায়োক্তা য়ুমদগী মপান থোকপদা ফেস মাস্ক উপ্তুবা অমদি মীয়াম তীনবা মফমদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথুদুনা ফাগৎপগী থবক চথুরি।

ঙসিসু মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবা মীওই ১৭৩ রোম দ্রাইভ চথুবদা ফাগৎখি। মখোয়শিং অদু মখা তানা তৌদনবা পুলিসনা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। পুলিসনা মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা ২২,৫০০ রোমসু ফাইন ওইনা খোমগৎখি।

ঙসি পুলিসনা দিটেন তৌখিবা মীওই ১৭৩ অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা ৬, থৌবালনা ১৩১, ককচিংনা ৮ অমদি চুড়াচান্দপুর পুলিসনা ২৮ রোম দিটেন তৌখি হায়রি।

লমাংদোং কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

কুমজা ২০১৮গী জুন থাদা মশাগী লম্ফেলদা লৈবা ওফিসল ক্বার্টরদগী লুপা ক্রোর ২৭ লোম হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা হান্নগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (এ দি সী) চান্দেলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অমসুং ফৌদেল দ্রগ কেস হায়রগা হেন্না খঙনবা লুপা ক্রোর ৪০০ হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা মীওইশিং থাদোকখিবদা লৈঙাক্লা তুমীন্না লৈশিনববু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লুখোসৈ জৌগী কেস অসি মণিপুর লৈঙাক্কা হায়র কোর্টতা আপীল চৎতুনা অমদি নৌনা থিগৎতুনা মরাল লৈবা দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নবা মীওইশিং চৈরাক পীয়ু হায়না ঙসি ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)না তোঙান-তোঙানবা ইমা লূপশিং অমদি ক্লবশিংগা খুৎশম্নদুনা লমাংদোং কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে হায়না নুপী সমাজগী জেনরেল সেক্রেটরি পাঙ্গেজম সোবিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমাংদোং কৈথেলদা অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল), অপূনবা নুপী লূপ (এ এন য়ু এল), বিষ্ণুপুর অমসুং লমাংদোং ইমা কৈথেল দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা অমকিলগী ভাইস প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ঙানবীনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা দ্রগ লল্লোনবশিং অমত্তা লেম্না থারোই, মরালগী মতুংইন্না চৈরাক পীগনি হায়খিবদু থবক্লা উৎপীরো। চীনগা খুৎকা মান্ননা থবক তৌদুনা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা দ্রগ মপুং ফানা থিংঙু অমসুং হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলশিং ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তগী কল্লু। লৈঙাক অসিনা দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং শৌগৎপা মানবা থৌওং চথুবা লেপ্পু, ফৌদেলগী দ্রগ কেস তুমীন্না লৈশিনবা য়ানিংদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

‘কে ভি আই সীনা মীয়ামদা কান্নবা পীরি’

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস):

লমদম অসিগী মীয়ামদা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রি কম্মিসন (কে ভি আই সী)গী স্কিমশিং অসিনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী ওইনা মরুওইনা মণিপুরগী খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা কান্নবা কয়া পীরি হায়না কে ভি আই সীগী দেপ্যুটি চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর নোর্থ ইষ্ট জোন ইন-চার্জ ডা. সুখামল দেবনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, কে ভি আই সীগী মখাদা পীরিবা তোঙান-তোঙানবা ট্রেদশিংগী খুদোংচাবা কান্নবশিং অসি লৌদুনা হেন্না পোত্থোক পুথোক্লবা হোৎনসি। ফিশাবীশিংনা ফিশা-লোনশা খক তৌবা নত্তনা তোঙান-তোঙানবা ইনোভেটিভ আইদিয়াশিং পুথোক্তুনা মালেমগী কৈথেলদা পোত্থোক হেন্না পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি। খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা ইচিল-ইনাওশিংদা পীরিবা কান্নগদবা স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবশিং লৌবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

BUILDING INFRASTRUCTURE - BUILDING THE NATION
National Highways & Infrastructure Development Corporation Limited
(A Govt. of India Undertaking)

National Highways& Infrastructure Development Corporation Limited
Under the Ministry of Road Transport & Highways
Govt. of India
PROJECT MANAGEMENT UNIT (PMU) Ccpur, Manipur
Mini-Secretariat Building Complex, Block No. B-1, Tuibong, Churachandpur-795128, Manipur
Phone No. 03874-295155

Sealed tenders are invited under Two Bid System i.e. Technical Bid and Financial Bid from experienced and reputed Companies/Firms/Agencies/Individual having adequate experience in the work mentioned above for providing Vehicles to NHIDCL PMU-Churachandpur in the State of Manipur, a PSU company under the Ministry of Road Transport & Highways, Govt. of India initially for a period of One year from the date of award of contract, which is extendable as per the requirement.

Sl. No.	Name of work	No. of Vehicles required	Cost of Documents	EMD/Bid Security	Period of Contract	Eligibility Criteria
1	Providing & supplying of commercial vehicle 5 Nos. (01 Mahindra Scorpio,03 Mahindra Bolero/TUV 300 & 1 Gypsy) on monthly basis for NHIDCL ,PMU-Churachandpur in the State of Manipur.	5 Nos. (01 Mahindra Scorpio, 03 Mahindra Bolero/TUV 300 & 1 Gypsy)	Rs. 500/-	Rs. 5,000/-	01 Year	Minimum 01 Year experience in similar work.

1. Last date for the receipt of complete tenders in the office of Dy. General Manager (Project), NHIDCL PMU-Ccpur, Mini-Secretariat Building Complex, Block No. B-1, Tuibong, Churachandpur-795128, Manipur, is 06.04.2021 upto 1100 (Hours)
2. For more information please visit https://nhidcl.com/current-tenders/

BUILDING INFRASTRUCTURE, BUILDING THE NATION

HL-B/6874/24